## ৱাশিংটন দি সীদা মীওই অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
হ্বাইট হাউসতগী কিলোমিটর ৩ লোম লাপ্না লৈবা ৱাশিংটন দি সীগী লম্বীশিংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মীওই অমা শিবগা লোয়ননা অতৈ ৫ না অশোক-অপন নংখ্রবা মতুং ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা এসোল্ট রাইফল অমা পায় হায়না থাজবা চিংনবা মীওই অনী থিবগী অকনবা থবক পায়খৎখ্রে হায়রি। শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা মীওইশিং অদুনা গাড়ি থৌন-থৌনা নোংকৈ কাপখিবা মতমদা ভিক্তিমশিং অদু ৱাশিংটনগী কলম্বীয়া হায়টস হায়না খঙনবা মফম অমদা লৈবা অপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমগী মনাক্তা লেপ্তুনা লৈখিবনি হায়রি।

## নেসনল বেঙ্কতা অথিংবা থম্লগনি

ৱাশিংটন, সেপ্তেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
ইরানগী নেসনল বেঙ্কতা যু এসনা অথিংবা কয়া থম্লগনি হায়না যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরাই নুমিত্তা অকুপ্পা ৱারোলশিং পনদবিদা ফোঙদোকখ্রে।

## ক্লাইমেটকা মরী লৈননা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মালেমগী লিদরশিংদা তকশিনখ্রে




সিদনি, সেপ্তেম্বর ২০(এজেন্সি) :
যু এনগী ক্লাইমেট সম্মিট অমদা শরুক য়ানবা পুল্লিবা মালেমগী লুচিংবশিংদা ইনভাইরনমেন্টতা চাওনা শোকহনগদবা ফিভম লাকপা থিংনবগী মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা দিমান্দ তৌরদুনা চথবা মালেমগী ওইবা স্ট্রাইক অমদা ইরাই নুমিত্তা মহৈরোয় লিশিং চা কয়ানা এসিয়া অমসুং য়ুরোপকী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট রেলিশিং পাঙথোকখ্রে।

প্রোটেষ্টশিং অদু মরু ওইনা সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপগী অরুবা ফিভম মায়োক্লরিবা লৈবাক কয়া লৈবা পেসিফিক্কী ইথৎশিং অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদগী হৌখি। সোসল মিদিয়া পোষ্টশিংদা সমুদ্র মপানগী সিটিশিং ওইরিবা মেলবোর্ন অমসুং সিদনি য়াওনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মফম কয়াদা অচৌবা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকপগী শক্তম উৎখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা অলিস স্প্রিংসকুম্বা টাউনশিংদসু দেমোনষ্ট্রেসনশিং পাঙথোকপা উখি। মেলবোর্ন সিটিদা স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎপা প্রোটেষ্টর অমনা পায়বা প্লেকার্দতা সমুদ্রগী ঈমায় ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ঐখোয়গী প্রোটেষ্টসু কল্লগনি হায়না ইখি। সিদনিদা মহৈরোয় অমনা পুরিবা অতোপ্পা সাইন অমদা ক্লাইমেট চেঞ্জ ঐখোয়না থোকহনবা নৎত্রবসু মসিবু থেংনননবা ঐখোয়না হোৎনরি হায়না ইখি। মশাগী চহী ১৬ শুবদা ঙাইরিবী স্বেদিস ক্লাইমেট এক্তিভিষ্ট গ্রেটা থনবর্গনা ক্লাইমেট চেঞ্জগী মায়োক্তা শাগৎলক্লিবা ইহৌদা য়াওশিল্লদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জনা মীওইবদা থোকহল্লিবা মাঙনিংঙাই ওইরবা ইফেক্টশিংদা পনখৈ অমা লৈহন্নবা খুদক্তা এক্সন লৌখৎনবা গভর্নমেন্টশিংদা আপিল তৌনবগীদমক্তা মালেমগী লৈবাক ১৫০ রোমদা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোক্ল বা থৌরাং তৌরিবনি।

## এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলনা হোং কোং পুলিসপু প্রোটেষ্টরশিং টোর্চর তৌবগী মরাল শীখ্রে



হোং কোং, সেপ্তেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
হোং কোং সিটিদা থা অহুম হেন্না প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা সিটি অসিগী পুলিসনা এক্তিভিষ্টশিংবু তাথি তাওইনা অমদি ওৎ নৈবগী থৌওং কয়া চথখি হায়না ইরাই নুমিত্তা এম্নেষ্টি ইন্টরনেসনলনা মরাল শীখ্রে।

অমরোমদা হোং কোং পুলিসনদি সিটি অদুদা প্রোটেষ্টরশিংগী ভাইওলেন্স হেনগৎলকখিবা লৈরবসু মখোয়গী মায়কৈদগী য়ারিমখৈ পুক্লিং ফাথবগী মতৌ উৎখি হায়রি।

মায়খুম উপ্পা অমসুং অমুবা ফিজেল শেৎপা কয়া য়াওনা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিংনা পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিসশিংদা পেট্রোল বোমশিং লংশিনবা, লেজিসলেটিভ কাউন্সিলদা থোমজিনবা, এয়রপোর্ট তাবা লম্বীশিং থিংজিনবা অমদি মেট্রো ষ্টেসনশিং থবক তৌবা য়াহন্দবনচিংবা থৌওং কয়া চথখিবগা লোয়ননা মখোয়না চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুগী লম্বীশিংদা ফাওবা মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখি। মখোয়গী থৌওংশিংগী পাউখুম ওইনা পুলিসনা টিয়র গ্যাস, ৱাটর কেন্নন, রবর বুলেটশিং কাপ্পগা লোয়ননা নোংথক্তা লাইভ রাওন্দ কয়াসু কাপখিবনি।

## ভেনিজ্যুএলাগী ৱাথোক লুশিল্লকপদগী ৱারী শাননবা তকশিনখ্রে



মেক্সিকো সিটি, সেপ্তেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
ভেনিজ্যুএলাগী লুশিল্লকপা হেনগৎলক্লিবা পোলিটিকেল অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিসকী মতাংদা মরা তপ্পা মওংদা সোল্যুসন অমা পুরক্লবগী মহয় য়ানগদবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি নিগোসিএসন চথবনা ওইগনি হায়না মেক্সিকো অমসুং যুরুগ্বাইনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরু ওইবা ওপোজিসনগী মীওই অমবু জেলদা থাদোকখিবগী খোঙথাং মখোয়না তরাম্না ওকখ্রে।

জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা লৈবাক অনীনা সেপ্তেম্বর ১৬ তা থাদোকখিবা মরু ওইবা ওপোজিসনগী মীওই ওইরিবা ভেনিজ্যুএলা নেসনল এসেমব্লিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ইদগার জামব্রানো ফাজিনখিবগা মান্নবা মওংদা হৌজিক ফাওবা ফাজিন্দুনা থম্লিবা প্রিজনর পুম্নমক থাদোক্লবা আপিল তৌখি। ফেব্রুৱারি ৬ গী মোন্টেভিদিওদা ফোঙদোকখিবগুম মেক্সিকো অমসুং যুরুগ্বাইগী গভর্নমেন্টশিংনা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা আপিল তৌরদুনা দাইলোগ অমসুং নিগোসিএসন হায়বসিনা হৌজিক ভেনিজ্যুএলানা মায়োক্লরিবা ৱাথোক অসিবু মরা তপ্পা মওংদা ৱারোইশিন অমা লাকহন্নবগী পুম্নমক্লা য়ানগদবা অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি হায়বসি চেৎনা থম্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিগী ওপোজিসন লুচিংবা জামব্রানো থা ৪গী মমাংদা লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবগী মরালদা ফাখিবনি। মহাক মায়কৈ কয়াদগী অকনবা প্রেসর পীবদগী থাদোরকখিবনি হায়না ওপোজিসন কাঙবুং অমদি মীচংশিংনা হায়জরবসু ওথোরিটিশিংনদি মহাক্কী কেস লোইদ্রি হায়খি।

লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস অদুবু লৈখায় তাহন্নবা হোৎনরদুনা নোরৱেনা ৱাতেমদুনা চথরকখিবা দাইলোগ লোইশিল্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ওপোজিসন্না লাউথোকখিবনি। প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা দাইলোগ অদুদা মহাক্কী লৈবাক্লা মখা তানা শরুক য়াররোই হায়না লাউথোকখিবা মতুং চয়োল ৬ কান্নরগা ওপোজিসন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ওপোজিসনগী ৱারেপ অসিগী পাউখুম ওইনা গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নেসনল ইলেক্সসন কম্মিসনদা অহোংবা পুরক্তুনা পোলিটিকেল ৱাথোক অদুবু লোইশিনবা য়ানবা ওপোজিসনগী পার্টি খরগা দিল অমা য়ান্নরে হায়না লাউথোকখিবনি।

## ট্রক বোম এটেক্তা শিখিবা মশিং ৩৯ য়ৌরে, পিছ টোক মখা চথনবা হমিদ কর্জাইনা য়ু এসতা আপিল তৌখ্রে

কাবুল, সেপ্তেম্বর ২০ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগী জাবুল প্রোভিন্সতা শগোলশেল নুমিত্তা হোস্পিটাল অমগী মনাক্তা চথখিবা সুইসাইদ ট্রক বোম এটেক্তা শিখিবা মীওইশিংগী মশিং অয়াম্বনা মীচমশিং ওইদুনা ৩৯ য়ৌরে হায়না ইরাই নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

জাবুল প্রোভিন্সকী গভর্নরগী স্পোক্সপসর্ন গুল ইস্লাম সেয়ালনা ফোঙদোকখিবদা সিক্যুরিটিগী অশোনবা লৈবা জাবুল প্রোভিন্সকী কেপিটেল কালট সিটিদা লৈবা গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমগী মনাক্তা টালিবান সুইসাইদ বোম্মর অমনা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওরবা মহাক্কী ভেহিকল পোকখায়হনখিবগী থৌদোক অদুদা মীওই ১৮৫ সু অশোক-অপন নংখি।

ঙরাংগী কি-হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা বোম্মিং অদুদা মফমদুদা লৈবা মীওই ৩৯ শিখি অমসুং অতৈ মীওই ১৮৫না অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা অশোকপশিংদুগী মনুংদা মীওই ৪০গী ফিভম লুনা লৈ হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বোম পোকখায়বদুদা অমাঙ-অতা থোকখিবা বিল্ডিং কয়াগী অকায়-অতোয় মরক্তগী অশিবা হকচাং কয়া লৌথোকখি। মতিক ময়াই লৈরবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা হায় স্কুল কমপ্লেক্স অমা য়াওনা অনকপদা লৈবা বিল্ডিং কয়া অমাঙ-অতা থোকখি। শিখিবগীশিংগী মনুংদা মহৈরোয় ৪ য়াওখি অদুগা অতৈ মহৈরোয় ২০না অশোক-অপন নংখি।

চৈরকসিদা হান্নগী অফঘান প্রসিদেন্ট হমিদ কর্জাইনা য়ু এস গভর্নমেন্টতা টালিবান মিলিটেন্ট গ্রুপকা পিছ টোক মখা চথনবা আপিল তৌখ্রে অমদি নাকল অনীগী নিগোসিএসন অদু ট্রান্সপরেন্সি লৈহনগদবনি হায়খ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা কর্জাইনা য়ু এস গভর্নমেন্টতা টালিবানগা ৱারী মখা চথনবা আপিল তৌবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদা অফঘানশিংনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগদবনি অমসুং লৈবাক অসিদা তঙাইফদনা লৈঙাক্কী পৱার পায়মিন্নবগী ফিভম লাক্কনি হায়বসি টালিবান্না খঙগদবনি হায়খি।

টালিবানদা মীচমশিং হাৎপা লেপ্পবা আপিল তৌখিবা হান্নগী অফঘান লিদর কর্জাইনা চাইনা, রসিয়া, জর্মনি অমসুং য়ুমথংনরিবা লৈবাক কয়ানা য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা পিছ টোক্স মখা চথহন্নবা হোৎনরি হায়না থাজরিবনি।



## মীচমশিং লৈগনি হায়না মাঙজৌননা খঙহনখ্রবা মতুংদা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথরকখিবনি : খুঞ্জাশিং



জলালাবাদ, সেপ্তেম্বর২০(এজেন্সি) :
পাইন-নট লোকপগী সিজন য়ৌরক্কদবা নুমিৎ ১২নিগী মাঙওইননা ৱাজির টংগী এরিয়াগী মচিন চৎপা খুঞ্জা অহলশিংনা ইরকখিবা অকংবা উহৈশিং হেক্লেনবা শিন্মী অমসুং অঙাং ২০০ রিক্রুট তৌনবা থৌরাংগী মতাংদা পনবা লেটর অমা অফঘানিষ্টানগী ইষ্টর্ন নংগারহর প্রোভিন্সকী গভর্নরনা ফংখি।

সেপ্তেম্বর ৭ তা ইখিবা রোইটর্সনসু উরবা লেটর অদু জিহাদিষ্টশিংনা অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌবা চীংগী এরিয়াশিংদা য়ু এসনা শৌগৎপা অফঘান ফোর্সশিং অমসুং ইস্লামিষ্ট ষ্টেট ফাইটরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকপা মতমদা শিন্মীশিংদা মীশি-মীনা থোকপা য়াবা ফিভমশিংগী কনবদা মতেং পাংনবগী পান্দমদা থাখিবনি হায়রি।

প্রোভিন্স অদুগী মহৌশাগী লনগৈশিং কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা টালিবান লালহৌবশিং অমসুং ইস্লামিষ্ট ষ্টেট ফাইটরশিংনা অমগা অমগা লান্থেংনদুনসু লাকখি। মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা লৌশিনখিবা লমশিং অমুক হন্না কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা য়ু এস অমসুং অফঘান ফোর্সশিংনা চীংগী এরিয়াশিং অদুদা এয়র ষ্ট্রাইক তোয়না পাঙথোক্লিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৌমীশিং, শিন্মীশিং অমসুং অঙাংশিংনা অশুকপা উমংগী এরিয়া অমদগী পাইন-নটশিং হেকপগী থবক লোইদুনা মখোয়গী টেন্টশিংগী মনাক্তা মৈ চাওনা হৌগৎলগা পুন্দুনা লৈরিঙৈদা য়ু এসকী দ্রোন অমনা মফম অদুদা শাথিরবা এটেক অমা চথরকখিবগা লোয়ননা মীচম ৩০ শিখি অমসুং অতৈ ৪০না অশোক-অপন নংখি। মাঙজৌননা খঙহনখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী শিন্মীশিংদা অশোয়-অঙাম থোকহনগদবা থবক অমত্তা তৌরোই হায়না থাজবা পীরকখ্রবা মতুংদা শাথিরবা এটেক অদু চথরকখিবগীদমক্তা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা নুংনাংবা কন্না ফোঙদোক্লখি।

## দ্রগ ৱারগী মতাংদা থিজিনবা পাম্বশিংদগী লোন, গ্রান্টনচিংবা লৌদনবা ওর্দর তৌখ্রে

মনিলা, সেপ্তেম্বর ২০(এজেন্সি) :
ফিলিপিন্স গভর্নমেন্টনা দ্রগকী মায়োক্তা চথরিবা মীশি-মীনা য়াওবা লাঞ্জংগী মতাংদা য়ু এননা ইনভেষ্টিগেসন চথবগী ৱাফম শৌগৎলিবা লৈবাকশিংদগী লোন অমসুং গ্রান্টশিং লৌনবগীদমক্তা চথরিবা নিগোসিএসনশিং অমদি এগ্রীমেন্টশিংনচিংবা পুম্নমক লেপ্পনবা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দুটর্টেনা দিপাটমেন্টশিং অমসুং ষ্টেটনা চল্লাইবা ফার্ম খুদিংমক্তা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে। লৈবাক ১৮ গী বেক্কিংগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা হৌখিবা জুলাইদা দুটর্টেগী চহী অহুম শুরক্লবা দ্রগকী মায়োক্তা চথবা কেম্প্যেন অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা শেম্নবগী রিজোল্যুসন অমা এপ্রুভ তৌখিবনি।

ꯇꯔꯦꯅꯤꯡ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make .'your Kids the Most 'Unique



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.
100% Guarranty
HL-P/3757/20,21

### ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ/ নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি


সুধাকর

ঐগী য়েৎ থংবা কিদনিদা এম এম ৪, এম এম ৩ অমসুং য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা এম এম ৬ চাউবা নুঙ অহুম লৈবদগী শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফাল আই টি আই মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা লাইশ্রম সুধাকরনা লায়েংবীবদগী নুঙশিংদু অলত্রা সাউন্দ অমুক নৌনা লৌরুবদা লৈরমদ্রে। মসিগীদমক্তা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকরবু হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Salam Prakash Singh
Khurai Chingangbam Leikai
HL-P/4285/21

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG

**Ref :- Mut. Case No. 730/SDC/IW -L/2019**
1) Irom Iboba Singh S/o (L) Yaima Singh of Sanjenbam.
2) -do- Ibotombi Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*
-Vs-
(Late) Co-Pattadar No.1 Irom (O) Pishak Devi W/o (L) Yaima Singh of Sanjenbam Awang Leikai. ...OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
20/9/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার ইরোম ওংবী পীশকতোন্বী দেবী পতি য়াইমা সিংহ সাং শঞ্জেনবম অৱাং লৈকায়গী মীংদা লৈবা ঈ ও তহশিলগী খুল নং ৬১ - শঞ্জেনবমগী অনৌবা পাট্টা নং ৪১, দাগ নং ১৮৯, এরিয়া মৃ: পাট্টাদারগী শরুক .২০ চাউবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অনী অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনীংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/4289/21 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector** :IW:Lamsang

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### DIRECTORATE OF TOURISM

**NOTICE INVITING TENDER**
Imphal, the 20th of September , 2019

No. 1/416/2019-DTSM : The Department of Tourism is organizing 3rd State Level Shirui Lily Festival , at Ukhrul District, Manipur from 16th – 19th of October, 2019 and 2(two) International Bands will be performing live at Bakshi Ground as a part of Shirock Festival, 2019 . In this regards , the Directorate of Tourism invites sealed tender for Production , Marketing & Management of Tickets for Shirock Festival, 2019 for **16/09/2019 and 19/09/2019.**

Detailed, Request For Proposal (RFP) document containing information on eligibility, dates and timelines, required formats etc is uploaded in the Government website : www.manipurtourism.gov.in and www.manipur.gov.in from 21/09/2019 onwards.

Intending bidder may submit Technical bid and Financial Bid in sealed envelopes addressed to the following :

**The Director,**
**Directorate of Tourism**
**North A.O.C. , DM Road**
**Imphal – 795001, Manipur**

Sd/-
W. Ibohal Singh
**Director , Tourism, Manipur.**
HL-B/5684/21

### The Imphal Urban Co-operative Bank Ltd.
Administrative Office, M. G .Avenue, Imphal.

**NOTIFICATION**
Imphal, the 19th September 2019

IUCB/7(C )/2019-20 : Applications on plain paper are invited from registered firms/individuals for appointment of a Gold Appraiser on engagement basis for a period of 6(six) months likely to be extended on payment of monthly remuneration fee at the rate negotiable from time to time. Details of qualification and experience are as under:

| Sl. No. | Name of Post | No. of post required. | Qualification | Security Deposit |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Gold Assayer | 1 | i) Graduate from a recognized university<br>ii) 5 years experience in gold smithy<br>iv) Age limit - 21 to 40 years. | Rs. 30,000 |

At the time of submission of application , 2(two) recent passport size photos along with educational certificates and relevant supporting documents including pan card & Aadhaar card, shop licence etc. are be accompanied with and duly attested by a gazetted officer.

Last date of submission of application is 5th October 2019.

*Sd/-* R.K. Tikensana
Asst. General Manager(i/c)
Imphal, the 19th September 2019\
HL-B/3801/21,22,23

### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

**Ref :- Mutation Case No. 467/SDC/Bishnupur, 2019**
1) Shingam Arun Singh S/o (L) Ibochouba of Bishnupur W/No. 5
2) Shingam Premkumar Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*
-Vs-
1) Shingam Ibochouba Singh S/o (L) Mani Singh of Bishnupur W/No. 5
2) Shingam (O) Tombi Devi W/o (L) Ibochouba Singh of -do- - O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Bishnupur, the 19th September, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি 1) Shingam Ibochouba Singh S/o (L) Mani of Bishnupur W/No. 5 (2) Shingam (O) Tombi Devi W/o (L) Ibochouba of Bishnupur W/No. 5 দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং 108 (Old), 215/1329 (New) সী এস দাগ নং 1099/4395 গী 0.09 চাউবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার নং ১ মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

HL-P/4503/21 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Bishnupur**